# আইএলপিগী দিমান্দদা কে বি শর্ম্মা শিদ্রিবা ফাওবা

# চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে

## মহৈরোই লুপশিংসু ঙসিদগী খোঙজং চংশিনবা হৌগদৌরি, রেল্লি চৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ৬:* লমদমসিদা লেপ্তুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং চংশিল্লকপা থিংনবা ইন্নর লাইনা পার্মিট সিস্টেম চৎনহন্নবা হৌজিক চখরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা বিল অমা পাস তৌগদবনি হায়বা দাবীদা ঙসিদগী ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কেবি শর্ম্মা ক্লাকেথেল অখাম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে। মরকসিদা মহৈরোই লুপশিংগী মায়কৈদগীসু হয়েংদগী হৌনা আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কেবি শর্ম্মানা ঙসিদগী হৌনা ক্লাকৈথেল অখাম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেমগী মেম্বরশিংনা ধরনা ফম্বা হৌরকপদা পুলিস লাক্তুনা তানখায়খি। থৌওংদুদগী পুলিসকা মুক্নবা থোকখি।

খোঙজংসিগী মতাংদা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখিবা কেবি শর্ম্মানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক চখরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহন্নবগী বিল পাস তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। আইএলপি দিমান্দ অসিগী মতাংদা ফ্রেন্দসনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা লোয়নননা অল্টিমেতম পীশিনখ্রবসু ঙরাং তাং ৫ ফাওবদা রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্তবদগী শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লকখিবনি। খোঙজং মনুংদা শিরবসু লৈবাক্কীদমক্তনি। তুংগী মণিপুরীশিংগীদমক ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহনবা হায়বসি ঙসিগী মীরোল ঐখোয়গী মপী মপা ওইবগী থৌদাংনি। করিগুম্বা এসেমব্লিনা বিল অসি পাস তৌদ্রবদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা লমদম অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনরে হায়না লাওথোক্কনি হায়খি।

ধরনা অদুদা শরুক য়াখিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিটকী কোওর্দিনেটর চুরামনিনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা মীতোপ মীয়ানচাগী মশিং অসি য়েংলগা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহৌদ্রবদি লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী পুন্সি তম্বা ঙমদে। লমদমসিদা ঙসি ফংলিবা চৈথেংশিং অসিসু মীতোপ মীয়ানচাশিংগী থৌশিলনা ওইবা য়াওরি। ধর্ম্মগী মিংদা লাকখিবা শান্তিদাই গোসাইনা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা চীং-তমগী য়েলহৌমীশিং খাইবুং -খাইবুং তাহল্লমখিবনি হায়রদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিং অসি য়েলহৌমীশিংগী অপুনবা মশিংগী চাদা ৫০ য়ৌখ্রবদি শুকশোই শোয়দনা লমদম অসি মখোয়গী খুবামনুংদা তাখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মরকসিদা ঙসি নুংথিল ক্লাকেথেল হাওরোকচাম্বীদা লৈবা স্বাক্ষী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম অঙম্বনা ফোঙদোকখিবদা, লমদমসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহল্লু হায়না তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটিশিংনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা সরকারনা নাথৈদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ১৯৫০ দা মতমদুগী চিফ কম্মিস্নার হিমট সিংহনা মণিপুরদগী ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম লৌথোক্লম্বদগী ঙসিদি লমদম অসি মীতোপ মীয়ানচাশিংগী শৈদাংফম ওইরে। মীতোপ মীয়ানচাশিং অসি ঙসিদি য়েলহৌমীগী মশিংদগী হেনগৎলক্তুনা মেজোরিটি ওইখিবগী ফিভমদা লাক্লে। ফিভমসিদা এমএলএ ৬০না তুমিন্না লৈশিনবা চুপ্লোই হায়রদুনা হৌজিক চখরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহন্নবা বিল পাস তৌগদবনি হায়খি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক্তসু তোঙান তোঙানবা ক্লব সংস্থান ২১, মৈরা পায়বী অমসুং হৈরোক্তা লৈবা প্রাইমারি থাক্তগী হায়র সেকেন্দরি থাক ফাওবগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম খুদক্তা চৎনহল্লু হায়বা দাবীদা ঙসি হৈরোক্কী অকোয়বদা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক কংলৈপাক্তা আইএলপি চৎনহল্লু, মণিপুরদা মপুং ফানা রেলৱে লাইন লৈত্রিঙৈদা আইএলপি চৎনগদবনি, ইশাগী ইরমদা মীতোপ ওইগদবশিংদগী কলহৌসি, আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিং থিংগদবনি হায়না প্লেকার্দশিং পায়দুনা চৎখিবা ঙসিগী খোঙচৎ অদু হৈরোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা মতুং হৈরোক বজারদা পুল্লপ পুন্দুনা ধরনা অমা চখিখি।

ধরনা অদুদা শরুক য়াখিবা সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট লাইশ্রম মন্দিরনা হায়খিবদা, ইন্নর লাইনা পার্মিট সিস্টেম চৎনহন্নবা মণিপুরগী সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা হৈরোক্কী ক্লব, সংস্থান অমদি মহৈরোইশিংনা শৌগৎকনি। য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনরিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু চৎনহন্নবা হৌজিক চখরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা ৱারেপ অমা লৌবা হায়বসি মতম চারবনি। লোয়ননা আইএলপিগা মরী লৈননা চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদা চীং-তম হায়বা লৈতনা পুন্না লেপমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ধরনা অদু লোয়শিল্লকপদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম খুদক্তা চৎনহনগদবনি হায়না খোল্লাও লাওখি।